## সুককী কুমজা ২০১৯-২১ ফাওবগী থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌখ্রে

# সী এ বিগীদমক চেকশিনবা মথৌ তারি : জিতেন্দ্র

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) কী কুমজা ২০১৯-২১ ফাওবগী থৌ পুগদবশিং ঙসি ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা চার্জসু শিন্নখ্রে।

সী সী এস কেগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সুককী নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌবগা লোয়ননা চার্জসু শিন্নখি। থৌ পুগদবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা ধনকুমার নিংথৌজা, জেনরেল সেক্রেটরিদা নিংথৌজম রোজেশ, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা সলাম সনাথোই, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট সেক্রেটরিদা লোইতোংবম প্রেমকুমার, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা থিংবাইজম তরুন, স্পোর্টস সেক্রেটরিদা সাপম সুরচন্দ্র, কলচরেল সেক্রেটরিদা পাওনম প্রেমিকা, ৱিমেন ৱেলফ্যের সেক্রেটরিদা নামৈরাকপম সানুকা অমদি পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা থোকচোম দোল্লরসেননি।

সুককী থৌ পুবশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিঙোম্বম্না হায়খি, সুক্না খুন্নাইসিগীদমক থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। মহৈরোয় লূপ অমা ওইনা মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা থবক পায়খৎপগা লোয়ননা খুন্নাইগীসু থবক থৌরাং কয়াদা শরুক য়াবা য়াই। মণিপুরদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়া লৈরি।

বি জে পিনা করিগুম্বা লৈঙাক পায়রবদি সী এ বি চৎনহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরি। সী এ বিগীদমক ঐখোয়না চেকশিন্না লৈবগী তঙাইফদবা



লৈরি। নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়া পুল্লগা হন্দক্তা লূপ অমসু শেম্বা লৈখ্রে। মসিনা সী এ বি য়াওনা ঈহৌ কয়া লাকপা মতমদা নোর্থ ইষ্টকী অপূনবগী ওইবা ঈহৌ চত্থরক্লগনি। মেনপেকসু শেমদুনা খুন্নাই অসিগীদমক থবক থৌদা কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা অচৌবা মুভমেন্ট অমা য়ুনিভর্সিটি অসি কন্নবগীদমক চঙশিনবা লৈখি। ঈহৌ অদু তঙাইফদনা মহৈরোয়শিংগীদমক অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগীদমক চঙশিনখিবনি। মহৈরোয় লূপশিংনা খুন্নাইগীদমক অঙন্বা থাক্তগা কখোকপগা লোয়ননা হোৎনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা সী এস এস ঈ আই পি, এম য়ুগী রিদর ডা. টি ঐচ ভারতনা হায়খি, লমদমসিদা লাইরিক-লাইশু নীংথিনা তন্বা ফংদ্রিবা মহৈরোয় কয়া য়াম্না লৈরিবগে হায়বসি খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু মহৈ তন্বা ফংহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। রাইট টু এদ্যুকেসনগী চৎন-কাঙলোন মখাদা অঙাং খুদিংমক লাইরিক-লাইশু তমগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরিবনি। পীক্লিবা অঙাংশিং নীংথিনা মহৈ-মশিন তমহন্দুনা খুন্নাইগীদমক থৌদাং লৌরকপা ঙমগদবা অচঙবা মী ওইনা শেম্বা চঙই। মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশিন তন্বগা ঈরোয়ননা খুন্নাইগী ওইবা ইস্যু কয়াদসু লৌবা য়াবা থৌদাংশিং লৌবা তাই। মহৈরোয় লূপশিংনা ইস্যু কয়াদসু থৌদাং কয়া লৌরিবনি। ইনি টগ্রিটিগী ওইবা ইস্যু লাকপদা মহৈরোয় লূপশিংসু অঙন্বা থৌদাংশিং লৌবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা ঐচ আর দি এমগী চ্যেরমেন জয় চিংঙাখমনা হায়খি, মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতম অসি পুন্সিগী য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। ৱাখল-লৌশিং কয়া মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতমদা তানশিনহৌগদবনি। মহৈরোয় ওইরিঙৈদা থেংনখিবা কয়া অদুনা তুংগী লম্বীদা পারা কয়া তমহৌগদৌরিবনি। মহৈরোয় লূপ অমা ওইনা হিরম কয়াদা নীংথিনা খঙবা চঙই। সুকসু য়াম্না মপাঙ্গল কনবা মহৈরোয় লূপ অমা ওইবনা থৌ পুরিবশিং হিরম কয়াদা য়াম্না নীংথিনা খঙবা চঙই। নৌনা থৌ পুরক্কদৌরিবশিং অসিনা খুন্নাইগীদমক থৌদাং কয়া লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চিতুৱাগী প্রসিদেন্ট মাইবম পুর্ণিমাসি, দল্লিয়ু দল্লিয়ু ও কেগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ বালা লৈমা, কে দল্লিয়ু দল্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট থোঙাম কুমু, সুককী এদভাইজর লোইতোংবম দোল্লর অমদি সুককী হান্নগী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম গোবিনসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## য়ুরিয়া হারগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা লৈঙাক্না

# মাঙজৌননা থৌরাং পায়খৎলু : ফার্মরস এসোসিএসন

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): য়ুরিয়া হারগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা মণিপুর লৈঙাক্না মাঙজৌননা থৌরাং পায়খৎলু হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফার্মরস এসোসিএসন (এ এম পি এফ এ) গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সার্টো চুংনৈরেং কোমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৭০ রোমদি লৌউ-শিংউবনা শিনফম ওইদুনা লৈবা লমদমনি। লৌউ-শিংউবদা তঙাইফদনা চঙলিবা য়ুরিয়া হার অসি মণিপুর লৈঙাক্না নীংথিনা কন্ট্রোল তৌদুনা মরাং কায়না মতম চানা ফংহনগদবনি। লমদমসিদা হার মরাং কায়না ফংহনবা অমসুং মমল হেলহন্দবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী তৌফম থোকপা মথৌনি। মরমদি য়ুরিয়া হার অসি মণিপুর লৈঙাক্না এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা কন্ট্রোল তৌরিবনি। শাংলবা মতম অসি চহী খুদিংগী কালেন লৌউ মতমদা য়ুরিয়া হার ফংদবগী অমসুং মমল কা হেন্না ৱাংবগী অৱা-চৈথেংশিং মায়োক্নদুনা লাক্লি। হার ফংদবা নৎত্রগা মমল হেনবা হায়বসি পোখোক পুথোকনবা হোৎনজরিবা লৌমীশিংদদি হায়নিংঙাই লৈতনা নীংবা কায়বা হায়বদু ওইরি।

মমাঙঙৈগী মতমদা লমদম অসিদা খুৎশেমগী হার মখল অমত্তা শীজিন্নরমদ্রবসু ঙসিদি গ্রীন রেভোল্যুসনগী ঈহৌ অমা লমদম অসিদা লাকপদগীদি তপ্না তপ্না খুৎশেমগী হার শীজিন্নবা হৌরকখি। ঙসিদি খুৎশেমগী হার শীজিন্নদ্রবদি পোৎথোক পুথোকপদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱা-চৈথেং পীবা হায়বদু ওইরে। হার হাপত্রবদি হায়নিংঙাই লৈতনা পুথোক হন্থরে। নীংথিনা চাথোক লৈত্রে। লমদম অসিগী লৌমী ইচিল ইনাওশিংনা থারিবা মহৈ-মরোংগী মখল অসিসু হায় য়িল্ডিং ভেরাইটি (ঐচ ৱাই ভি) নৎত্রগা হায়ব্রিদ মখলশিং থাদুনা পোখোক-চাথোক হেন্না লৈবা মখলশিংনা অয়াম্বা শিন্দোক্নরকপনা তঙাইফদনা পাম্বীশিং অদুদা মতিক চানা মচল শুনা মচিঙাক হাপ্পীদুনা পীজবগী তঙাইফদবসু হেনগৎলক্লি।

মণিপুরদদি কালেন লৌউসি য়াম্না মরুওই। মীপুম অয়াম্বনা কুম অমগী চানবা পোখোক পুথোক্নবা লৌ উনরিবনি। হৌজিক অসি মে থখায় য়ৌশিল্লক্লে। জুন য়ৌরক্লবদি কুমগী নোং লাক্তুনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা লৌউ-শিংউ তৌবা হৌরক্লগনি। লৌমী খুদিংমক অয়ুক-নুংথিল নাইদনা লৌবুক্তা লৈদুনা কুম অমগী চানবা ফৌ মরাং কায়না পুথোক্নবা অৱাবা কোঙ্গাই খাংদুনা থবক শুরগদবা মতমনি। ফৌ পাম্বী হায়বসিমক্তবু অকক্নবা মতমদা খুৎ থেক্তুনা শেম শাহৌগদবা পাম্বীনি। মতাং চানা পাম্বী অসিগী পীফম থোকপা হারশিং মচল শুনা পীহৌদবদা পাম্বীগী শাহৌদা অকায়বা পীদুনা পাম্বীনা মপুং মরৈ ফানা চাউজবদা অকায়বা পীদুনা পোখোক চাথোক্তা য়াম্না চাউনা হন্থহনগনি। মসিনা ৱানা শুজ-নোমজদুনা কন্না হোৎনজরিবা লৌমী অদুগী হোৎনজমল অদু অরেম্বদা তাহল্লি। লৌমী অদুগী ৱাখলদা নীংহন্নবা পোকহল্লি। শেল-থুমদসু শোকহনবদগী ইমুং-মনুংগী মচা-মশু শেম্বদা লাইরিক-লাইশু তমহনবদা চৈথেং মথং মথং পীরকপদা নত্তনা চীঞাক্তা মীপাল তাঙহন্নবগী অচৌব মরম ওইহল্লি।

মণিপুরগী লৌমীশিং অসি অয়াম্বনা লায়রবা শেন্থোক লম্বী য়াম্না লৈতবা, ইনকম য়াম্না নেম্বা ঙাক্তনি। অদুগীসু মথক্তা খুঙ্গংগী লৌমীশিং অসিদি মশাগী লৌ লৈজদবা, মীগী লৌ ৱাইরগা লৌশাল তমদুনা উবনা অয়াম্বনি। ফৌগী পোত্থোক্তা হন্থখিবা হায়বসি অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্নহল্লি। লৌউ-শিংউবগী থবক্তা ফৌ থাবা হায়বসি থোইদোক্লা শেন্দোং লৈতবা ওইরি। করিগুম্বা কুম ফৎত্রবদি শেল্লেপ তোয়না মাঙলি। ফৌ থারিবা লৌমীশিংনা শিনফম অসিবু য়াম্না চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

শেন্দোং য়াম্না লৈবা শিনফম নৎত্রবসু মণিপুরগী অপূম্বা মীশিংগী চাদা ৭০ রোম্না শিনফম অসিবু পায়বনা লমদম অসিগী অপূনবা জি দি পিদা য়াম্না চাউনা মতেং পাংদুনা মণিপুরগী অপূনবা ইকনমিগী য়াংলেন শরূ ওইরি। লৌউ-শিংউবনা লমদমসিগী অয়াম্বা মীওইশিংগী হিংনবগী শিনফমসু ওইদুনা লাক্লি।

লমদম অসিদা লৈরিবা ফমজাও পায়বদগী হৌরগা ফম মচা পায়বা ফাওবশিংগী মমা-মপা, মপু-মবোকশিং অসি লৌউ-শিংউ তৌদুনা হৌরকপনা অয়াম্বনি। লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংনা লৌমীশিংগী অৱাবা অসি নীংথিনা খঙহন্নিংই। লমদমসিগী লৌমীশিং অসি অয়াম্বনা হৈথোই শিংথোইদবা, পেন্থোকপনা হেনবা, ফংফম থোকপা হকশিংগী মরমদা কয়া খনদবা, অৱা-অনা কয়া থিদবা, খাংবা কনবা, শু-নোমদুনতা লৈবা, পুনশিন্দুনা চাউখৎ-থৌরাংগী মরমদা কয়া নৈনদবা ওইনা তৌই। লমদমসিগী য়াইতোং খমদোংবশিংনা মখোয়গী মরমদা মুন্না খঙবনিনা মখোয়গী শেন্দানফম, ওইজ-ওইথক লৌফমশিং লৌমীশিংগী ফংফম থোকপা হকশিংদগী ওইরি।

মতম মতমগী ওইনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদা হার ফংহনগনি হায়না লৌউ লোয়শঙগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লাউজরবসু মণিপুরগী অপূনবগী ওইনা লৈঙাক্না লেপ্পা মমলদা ফংহল্লিবা হার লৌফমসি অৱাং খুনৌদা লৈবা গোদাউন, খুমন লম্পাক্কী এপেক্স গোদাউন অমসুং লম্ফেলগী মেকানাইজ ফার্মদা লৈরিবা হারগী গোদাউনশিং অসি খক্তদনি। মফম অহুম অসিদগী থাপ্লবা খুলশিংদা লৈরিবা লৌমীশিংনা লৈঙাক্না লেপ্পা মমলদা হার লৈনবা লাকপদা চথোক-চৎশিনগী লম্বী-থোং খুদোংচাদবা, পুথোক পুশিনগী অহেনবা ভারা চঙবা, চৎথোক চৎশিনদা মতম য়াম্না মাঙবা, চে ককফম্না সঞ্জেন্থোংগী এগ্রিকলচর দিরেক্টোরেট ওফিসতা ওইবা, হার লৌফমগা শেল থিফমগা পুনদবা কয়া অসিনা মতম য়াম্না চঙহনবতা নত্তনা অহেনবা শেল তিংহল্লি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিনা লৌমীশিংদা তন্থহন্দুনা হার লৌবা লাক্তনবগী মরম ওইহল্লি। অদুনা লৌমীশিংনা মমল তাঙলবসু তাঙনা মনাক নকপা দুকান্দগী অদুম হার লৈদুনা চাইরি।

নোংজুথা মতমদা লম্বীদা খুদোংচাদবশিংদগী ঙাকথোক্নবা ষ্টোক্তা হার মরাং কায়না থম্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপীয়ু। মসিনা লৌমীশিংনা হার মতম চানা ফংদবগী থেংনরিবা অৱাবশিং কোকহনবতা নত্তনা মমল হেনবদগীসু খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এক্সিদেন্টতা ২ শিরে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা থা তরেৎকী পীক্লিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই অনী শিরে। অঙাংগী মমানা শোক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

ঙরাং অয়ুক পুং ১০.৫০ রোম তাবদা ইম্ফালদগী লমশাংগী কৈথেল তম্না থৌরকপা দিজল ওটোরিক্সো অমা লমশাং পুলিস ষ্টেসনদগী খরা চৎলগা লৈবা ওইল পম্প মনাক্তা হোন্দা এক্টিভা অমগা থোমগাইনগে তৌবদা ওটোরিক্সো অদুনা থৈদোরকপদা লম্বীগী নাকলদা লৈবা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট অমদা থেংজিল্লগা ওনবদা থা ৭ কী অঙাং নুপীমচা অমালায়কন্নবা ঙমদনা শিরে।

লৈখিদ্রবা অঙাং অদুগী মমিং নিংথৌজম ওসিনা, অপোকপা এন ওজেন কৌই। মহাক কৌত্রুক চীং লৈকায়দা লৈবনি। অঙাং অদুগী মমানা নিংথৌজম ওংবী রেবিকা কৌই। মহাক লাঙ্গোলগী শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে।

অমরোমদা, থা অসিগী ৯ গী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবদা সেনাপতিগী অরিবা হোস্পিটাল মনাক্তা লম্বীদা খোঙনা চৎলম্বা অমা মোটোর সাইকলনা থোম্বদা মীয়াই চল্লবা অহল অমা শিরে। লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মমিং কাইখো (৫৬), অপোকপা লৈখিদ্রবা শৌ কৌই। মহাক তোবুফি খুনদা লৈবনি। অহল অদু লম্বীদা খোঙনা চৎলিঙৈদা মোটোর সাইকলনা থোম্বদগী লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মোটোর সাইকল থৌরকপা মীওই পুলিসনা ফারগা ৱাহং-পাউহংগী থবক কন্না চত্থরি।

## ‘হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা লৈরি’

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): এম এম টি এ কমপ্লেক্স মনাক্তা চহীসিগী এপ্রিল ২৩ গী নুমীদাংদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা অশোক-অপন নংখিবা খুরাই কোন্সম লৈকায়দগী কোন্সম সন্তোস হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা লৈরি হায়না ইপুম মপাল মৈরা লূপ, খুরাই কোন্সম লৈকায়গী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খুরাই কোন্সম লৈকায়দগী সন্তোস বোম মচেৎনা পানখিদুনা মরম ওইদুনা শোকপদগী হৌজিক হৌগৎপা ঙমদনা লৈরিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীৎয়েং চঙবীদুনা য়েংশিনবীয়ু। লৈঙাক্না য়েংশিন্দ্রবদি ইপুম মপাল মৈরা লূপনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি। চহীসিগী এপ্রিল ২৩ গী নুমীদাংদা এম এম টি এ কমপ্লেক্স মনাক্তা বোম পোকখায়রকপগী থৌদোক্তা বোম মচেৎনা পানবদগী কোন্সম সন্তোস লায়কন্নদুনা লাকখিবনি। বোম পোকখায়বা অদুদা সন্তোস শোকপা অসি লাইবক থীবনি। লৈঙাক্নসু নীংথিনা য়েংশিনফম থোকই। থৌদোক অদু খুরাই কোন্সম লৈকায়গী অপূনবা মৈরা লূপনসু নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি হায়নসু ইপুম মপাল মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# মাওইষ্টকী লালহৌ মালেমগী মফম খূদিংদা খুমাং চাউশিল্লি : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, মে ১২ : হন্দক্কী মে দেগী থৌরম অদু মাওইষ্ট পার্টি অমদি ওর্গনাইজেসন ময়ামগীদি য়াম্না মরুওইবা নুমীৎ অমা ওইখি। নুমীৎ অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মাওইষ্টকী লূপ ১৫ না অপূনবা ৱারোল অমা থোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা য়াওলগী পাউজেল অমা পীবা ঙমখি হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লেটিন অমেরিকাদা য়ূন্থম ওইবা মাওইষ্টকী লূপ ১২নসু মে দেগী মতাংদা অপূনবা চেরোল অমা থাদোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা য়াওলগী পাউজেল পীবা ঙমখি। জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অনীমক ৱর্ল্ড প্রোলেটেরিয়ন রেভল্যুসনগী য়াম্না মরুওইবা খোঙথাংনি। মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুর (মণিপুর মাওইষ্ট) য়াওনা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট থোকখিবদা পূনমিন্নরিবা মাওইষ্ট পার্টিশিং অদুদি মথংশিংনা কম্মিটি ফোর বিল্ডিং দ মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, গেলিসিয়া, স্পেনিশ ষ্টেট; কম্যুনিষ্ট (মাওইষ্ট) পার্টি ওফ অফঘানিষ্টান; কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (রেভল্যুসনরি মাওইষ্ট); কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ টর্কি/মার্ক্সিষ্ট-লেনিনিষ্ট; দিমোক্রেসি এন্দ ক্লাস ষ্ট্রগল, বৃটিশ ষ্টেট; এলকাদিহিন্দ পার্টি, টুনিসি; মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ফ্রান্স; মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি ইটলি; মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুর; মাওইষ্ট রেভল্যুসনরি লিগ-শ্রিলঙ্কা; ন্যু কম্যুনিষ্ট পার্টি, তুনিসিয়া; রেদ য়ুঠ ওফ জর্মনি; রেভল্যুসনরি কম্যুনিষ্ট পার্টি-কেনাদা; য়ুনিয়ন ওব্রেরা কম্যুনিষ্ট, কলম্বিয়া অমদি ৱার্করস বোইজ মলেসিয়ানি।

নাকল অমরোমদা, লেটিন অমেরিকাগী ওইনা পূনমিন্নরিবা দ্যের তুষ্ট্রগল, দ্যের তু ৱিন হায়না মিংথোনবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্টতা পূনমিন্নরিবা মাওইষ্ট পার্টি ১২ অদুদি কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইক্বেদর (রেদ সন); পেরু পিপলস মুভমেন্ট (রিওর্গনাইজেসন কম্মিটি) পেরু; কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ব্রাজিল (রেদ ফেক্সন) ব্রাজিল; রেদ ফেক্সন ওফ দ কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চিলি; রিকন্সটিট্যুসন ওফ দ কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ কলম্বিয়া; রেভল্যুসনরি ন্যুক্লিয়স ফোর দ রিকন্সটিট্যুসন ওফ দ কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ মেক্সিকো; কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ টর্কি/মার্ক্সিষ্ট-লেনিনিষ্ট; মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি ফ্রেঞ্চ ষ্টেট; রেদ ফ্লেগ কলেক্টিভ-ফিনলেন্দ; কম্মিটি ফোর দ ফাউন্দেসন ওফ দ (মাওইষ্ট) কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ওষ্ট্রিয়া; কম্যুনিষ্ট লিগ নোর্ৱে অমদি কম্মিটি টু রিকন্সটিট্যুট দ কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ দ য়ু এস এনি হায়রি।

কুমজা ২০১৯গী মে দেদা মাওইষ্ট পার্টিময়ামগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা চেরোল অনী থোকখিবা অসিনা মাওইষ্টকী অপূনবা ঈহৌ অমা শোয়দনা শাগৎপা ঙম্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, কমরেদ চারু মজুমদারনা লৈখিদ্রবা মতুংদা লুচিংবা অসিনা পুখৎলম্বা ৱাখল্লোন পূন্নমক অচুম্বা মায়কৈদা শেমগৎতুনা ঙসি কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাওইষ্ট)না পিপলস ৱারদা খুমাং চাউশিনবা ঙম্লি। অসুম্না কমরেদ শ্রিরাজ সিকদারনা পুখৎলম্বা তাঙ্কক অদুগী মখা শমথদুনা ঙসি বাংলাদেশতা কমরেদ ময়াম্না মাওইষ্টকী লালহৌ অসিগীদমক নীংথিনা শেম শারি।

কমরেদ ইব্রাহিম কেপাক্কায়াগী লিগেসি পুদুনা টর্কিদা মাওইষ্টকী লালহৌ খুমাং চাউশিল্লি। অসুম্না কমরেদ গুনজালোগী লিগেসি পুখৎতুনা লেটিন অমেরিকা লৈবাক্কী মাওইষ্ট লূপ ময়াম্না পিপলস ৱার অমগীদমক শেম শারকপা হায়বসি ৱর্ল্ডগী প্রোলেটেরিয়ন রেভল্যুসনগী অচৌবা খুমাং চাউশিনবা অমনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

চেরোল অসিনা হায়, মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনসু লময়ানবা ইরাবতকী লিগেসি মখা তানা শমথবতা নৎতনা হোংলক্লিবা মালেমগী ফীভমশিংগা চুশিন্নবা মওংদা শেমগৎতুনা মণিপুরদা নৌনা য়াওল লালহৌগীদমক শেম শারি। লুচিংবা ময়াম অসিদগী মীয়াম্না তমশিনগদবা কয়ামরুম লৈরি। লোয়ননা হেন্না অফবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎতুনা ঐখোয়-ঐখোয়গী লৈবাক্তা মাওইষ্ট লালহৌবু খুমাং চাউশিনহন্নবা হোৎনবা হায়বসি মাওইষ্ট পার্টি খূদিংমক্কী অমত্তা ঙাইরবা থৌদাংনি। লেটিন অমেরিকা, য়ুরোপ অমদি এসিয়াগী মফমশিংদা লৈরিবা মাওইষ্ট লূপশিংনা মাগী-মাগী লৈবাক্তা মাওইষ্টকী লালহৌবু খুমাং চাউশিনহনবা ঙম্লক্লি।

কুমজা ২০১৯ অসিদগী হৌরগা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি খূদিংমক্না বাইলেটেরেল দিস্কসনদা হেন্না খুমাং চাউশিন্দুনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিষ্ট মুভমেন্টকী জেনরেল প্রোগ্রাম অমা শেম্বা ঙম্নবা হোৎনবদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বসি মণিপুর মীয়ামদা লূপ অসিনা থাজবা থমজরি। বাইলেটেরেল দিস্কসন অসিখক্তনা মাওইষ্টকী অপূনবা ফীভম অমা শেমগৎপা ঙমগনি।

বাইলেটেরেল দিস্কসন অসিনা মাওইষ্ট লূপ মশেলগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা, অমনা অমবু হেন্না খঙমিন্নবা অমদি থাজবা শাগৎপা ঙম্নবগী মচাক ওইগনি হায়বসি মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী অচেৎপা থাজবনি। মখা তানা বাইলেটেরেল দিস্কসন চৎথদুনা মণিপুর মাওইষ্টকা অতোপ্পা লৈবাক্কী মাওইষ্ট পার্টিশিংগা হেন্না অচেৎপা মরী থম্নবা হোৎনগনি। মণিপুর মীয়াম্নসু মতম চুপ্পদা ইনিদয়ন মাওইষ্টকী থৌনা ফরবা লান্থেং অমদি ফিলিপিনো কমরেদশিংনা খুমাং চাউশিন্না মাওইষ্টকী লালহৌ চঙশিল্লিবা অসিদা মপূং ফানা শৌগৎমিন্নসি অমদি মণিপুরদসু মাওইষ্টকী লালহৌবু মখা তানা মীয়াম্না থাজবা থম্বীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নেসনল মাইম ফেষ্টিবেলদা কে এম টি আরগী নো বজেট উৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): কেরলাদা পাঙথোক্লিবা নেসনল মাইম ফেষ্টিবেলদা কংলৈ মাইম ঠিএটর রিপর্টরি, ইম্ফালগী মীওই ১২ না শাবা টিম অমনা শরুক য়াবগা লোয়ননা ঙরাং কে এম টি আরগী দিরেক্টর ৱাই সদানন্দনা দিরেক্সন পীবা অনৌবা মাইম লীলা নো বজেট উৎখ্রে।

কে এম টি আরগী দিরেক্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল মাইম ফেষ্টিবেল অসি থা অসিগী ১০ দা কেরলাগী কলচর মিনিষ্টর এ কে বালাননা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখি। কলচর মিনিষ্টর অসিনা মণিপুরদগী শরুক য়ারিবা কংলৈ মাইম ঠিএটর রিপর্টরিগী দিরেক্টর ডা. য়ুম্নাম সদানন্দবু ঈকায় খুম্নবা উৎখি। ফেষ্টিবেল অসি কেরলা গভর্ণমেন্টকী ভারত ভবননা শিল-লাংদুনা পাঙথোকপনি। অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসিদা মাইম লীলা উৎপগী মথক্তা মাইমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমদি খন্ন-নৈনবনচিংবা কয়াদসু রিপর্টরি অসিগী দিরেক্টরনা রিছোর্স পার্সন অমা ওইনা শরুক য়ারি।

হেন্না মীয়ামদা পাউদমজনিংবদি হন্দক্কী খোঙচৎ অসিদা লোল থোক্তবা, না তাদবা আর্টিষ্ট অনীনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা অদু নেসনল লেভেলদা উৎথোকচবা ফংজবসি অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা অমনি। ফেষ্টিবেল অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মাইমগী কাঙলুপ কয়ামুক শরুক য়াগনি। রিপর্টরি অসিনা হায়রিবা মাইম লীলা নো বজেট অসি মখা তানা কেরলাগী মমিং লৈরবা ঠিএটর পর্সনেলিটি চন্দ্রদাসননা ইনভাইট তৌরক্তুনা কেরলাদা অনীশুবা ওইনা কোচিদা ঙসি উৎকনি। মসিগীদমক শেম-শাবা লোইরে। থোইদোক হেন্দোক্না মীয়ামদা তমজনিংবা অমদি কেরলাগী মীদিয়ানা মাঙজৌননা প্রেস রিলিজ অমদি এদভর্টিজমেন্ট তৌদুনা কেরলাগী মীয়ামদা পাউদমখি হায়রি।

## খঙমিন্নসি ইরমদম ক্যুইজ-২০১৯ গী ফাইনেল রাউন্দগীদমক টিম ৫ খনগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল (হেরিকোন) না শীন্দুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা খঙমিন্নসি ইরমদম ক্যুইজগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ ঙসি ইম্ফাল পব্লিক স্কুল, কাঞ্চিপুরদা পাঙথোকখ্রে। থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল রাউন্দগীদমক টিম মঙা খনগৎলে হায়না হেরিকোনগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এন্দ ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সনাজাওবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফাইনেল রাউন্দগীদমক খনগৎলবা টিমশিং অদুদি, অহানবা পোজিসন তাখিবা ইনলাইটন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী খুল্লাকপম ইমটিয়াজ খান, লমবাময়ুম চিংখৈঙানবী চনু, তেনশুবম নন্দকুমার মৈতৈগী টিম, অনীশুবা পোজিসন তাখিবা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লোইতোংবম বাস্কর মৈতৈ, মালেমঙানবা খোংবানতাবম, থিঙাম ওবিনকুমার মৈতৈগী টিম, থর্দ পোজিসনদা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমীগী লোইতোংবম সৌকট অলি, জে াশিতা নোংমাইথেম, লাইশ্রম রোবিন মৈতৈগী টিমগী টিম অমদি পুন্না অহুমশুবা পোজিসন তামিন্নখিবা হেরিটেজ কনভেন্টকী অলিনা মাইস্নাম, লনচেনবী কৈশাম, এস সজিদাগী টিমনি। মরিশুবা পোজিসনদা জে এন ভি খুম্বোংগী কোংখাম ৱিনকো, এম দি রিয়াজউদ্দিন পুশম, কোঞ্জেংবম অতলান্তাগী টিমনি।

কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক টিম ৮ খনগৎলে। টিমশিং অদুদি, স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমীগী গ্যানেন্দ্র য়ুমখাইবম, শামোম নেপোলিয়ান মৈতৈ, থিংবাইজম ন্যুতোনগী টিম, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কে ঐচ অরুন মৈতৈ, নিংথৌজম মোনেন্দ্র, অবুজম নিকোলাশকী টিম, টেম্পল ওফ লার্নিংগী হুদিয়া, এলাংবম জয়মতি, এস পাওমিনলুন হাওকিপকী টিম, হেরিটেজ কনভেন্টকী খোইদাবা থৌনাওজম, পুয়াম চা হিমালায়া, নিংঙোম্বম মনিঙানবগী টিম, জে এন ভি, থৌবালগী এম দি শাবির রহমন, অমরজিৎ লাইশ্রম, সুরজ লাইশ্রমগী টিম, হেরিটেজ কনভেন্টকী রাজকুমারী কেনি, বাচস্পতিময়ুম মার্টিনা, ভেলেন্টিনা সৌগাইজমগী টিম, কেম্ব্রিজ ইংলিস স্কুলগী নজিয়া সুলতানা, সগোলশেম ইশিতা চনু, হুইদ্রোম প্রীত্যরানিগী টিম অমসুং কভেনেন্ট ইংলিস স্কুলদা প্রিয়াঙ্কা থাংজম, ৱাইরোক চার্লেস মকুঙা, চিথুং শঙ্গ্রেথানগী টিমনি।

১০ শুবা খঙমিন্নসি ইরমদম ক্যুইজ ২০১৯ গী প্রিলিমিনরি রাউন্দদা মহৈরোয় টিম ১০০ না শরুক য়াখি। ঙসি প্রিলিমিনরি রাউন্দ ইম্ফাল পব্লিক স্কুল, কাঞ্চিপুরদা অয়ুক্কী পুং ১০ দগী পাঙথোকখি। মসিদা ফাইনেল রাউন্দগী টিম খনগৎখি হায়রি।

## এন ঐচ-৩৭ গী জিরিবামদা ৱেথ ব্রিজ থম্বা য়ারোই : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): এন ঐচ-৩৭ গী জিরিবামদা ৱেথ ব্রিজ থম্বা য়ারোই হায়না ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এম অনিলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জিরিবামদা ৱেথ ব্রিজ থম্লগা দ্রাইভর ময়াম্বু ৱাহল্লি। মসি দ্রাইভর য়ুনিয়ন্না খঙই। এন ঐচ-৩৭ তা টন ২৪ দগী হেন্না পুবা য়াদে হায়বা অসিসু গ্রাউন্দ রিএলিটি য়েংদনা থমজিনখিবনি। হৌজিক চেঙগী গাড়ীদা সিমেন্ট পুরকপগী ৱাফম লৈতে। ৱেথ ব্রিজদা চৎলবদি গাড়ী খুদিংগী শেল লৌবদা ৱেথ ব্রিজগী মপুদি নোংমদা শেল কয়া য়াম্না তানগনি। মীয়ামগীদমক দ্রাইভরশিংনা শিনফম অসিদা থবক তৌরিবনি। ইমুং-মনুং পুনবগীদমক গাড়ী থৌরমগা শিনফম অমা ওইনা হিংনবা হোৎনজরিবনি। দ্রাইভরশিংবু লান্না উহনবা চুল্লোই। এন ঐচ-৩৭ গী জিরিবামদা ৱেথ ব্রিজ থমজিনবা য়ারোই। থোংগী অশোনবা খরা লৈবনা লম্বী অসিদা গাড়ীদা পোৎ পুবগী চাংদা অথিংবা খরা লৈবনি। টন ২৪ দগী হেন্না পুবা য়ারোই হায়রিবা ৱাফম অসিসু গ্রাউন্দ রিএলিটি য়েংদনা হেক্তা থমখিবা ৱাফমনি। দ্রাইভরশিংনা পুনিংবা মওংদা মাল হেক্তা পুবা লৈতে। এম ভি এক্টকী মতুংইন্না পুবনি হায়নসু য়ুনিয়ন অসিগী জেনেরল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলসিনা মখা তারি।

## কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ৬১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): কলচরেল ফোরম মণিপুরগী দাইমন্দ জুবিলিগা মরী লৈননা পাঙথোরকপা থৌরমশিং লোইশিনবা অমসুং ৬১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৭ তগী দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমীগী হোলদা নুমীৎ নীনি চুপ্পা থৌরম পাঙথোক্কনি। অহৌবা নুমীৎতা রাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ পদ্মশ্রী, এৱার্দী তেগো এৱার্দ ফোর কলচরেল হার্মোনি ২০১৪, আর ভি মিংথিং এক্স-মিনিষ্টর, মণিপুর অমসুং প্রোফেসর হুইরেম বিহারী প্রসিদেন্ট, দি কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, অখন্নবা মীথুং অমসুং থৌরম মপু ওইগনি। নুমীৎ অসিদা কুমজা ১৯৫৯ দগী লেপ্তুনা ফোঙলক্লিবা সাহিত্যগী চেফোঙ ঋতু ১৮৫-১৮৬ শুবা মশিং অমদি ময়াংলম্বম কান্দেশকী নোভেল শম্বলগী মীতৈ ময়েক খুৎফোঙসু পুথোক্কনি। ফোরমগী অহল ওইরবা মেম্বরশিং ওইনাম য়াইমা, থোকচোম মঙ্গি, ডা. সিঙ্গাম গ্যানেশ্বরবুসু নীংশিংবগা লোয়ননা নেসনল এৱার্দী রাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ পদ্মশ্রী, এৱার্দী তেগোর এৱার্দ ফোর কলচরেল হার্মোনি ২০১৪, শ্রীমতি এলাম ইন্দিরা, পদ্মশ্রী ২০১৪, ডা. অথিকারিময়ুম রাধামানবী, উস্তাদ বিস্মিল্লাহ খান য়ুব সুরস্কার ২০১৭ অমসুং বুদ্ধিচন্দ্র হৈস্নাম্বা, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ২০১৮ বু তরাম্না ওক্তুনা ঈকায় খুম্নগনি।

লোইশিনবা নুমীৎ থা অসিগী ১৮ দা রাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ পদ্মশ্রী, এৱার্দী তেগোর এৱার্দ ফোর কলচরেল হার্মোনি ২০১৪ না পিকুল্যারিতিজ ওফ মণিপুরী কলচর উইথ স্পেসল রিফরেন্স টু মণিপুরী দান্স হায়বা হিরমদা ৱা ঙাঙগনি।

## সম্মর কেম্প ২০১৯ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): ওভরসিস পোইন্ট, ইম্ফাল অমদি ৱাইস ৱর্ল্ড ইম্মিগ্রেসন এন্দ এদ্যুকেসন কন্সল্টেন্ট, কনাদানা খুৎশম্নদুনা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদবা এক্স-প্লোর সম্মর কেম্প ২০১৯ হৌদোকখ্রে।

য়ুথ হোষ্টেল, খুমন লম্পাক্তা ঙসি পাঙথোকখিবা সম্মর কেম্প হৌদোকপগী থৌরমদা কেম্প অদুগী দিরেক্টর সুরজ গুরুঅরিবমনা ফোঙদোকখিবদা, সম্মর কেম্প অসিগী পান্দমদি অঙাংশিংনা স্কুলদা তম্লিবা মহৈ-মশিন অদুখক নত্তনা হৈ-শিংবা কয়া পুথোকপা অদুনি। মহৈরোয়শিংদা য়াওজরক্লবা স্কিল কয়া অদু পুথোকপা চঙই। ক্রিটিক থিঙ্কিং, পোজিটিব থিঙ্কিং অমদি লিদরশিপকী ওইবা হিরম কয়া স্কুলদদি উৎথোকচবা ঙমদে।

স্কুলশিংদদি একাদেমীক্কী ওইবা হিরমদা লৈবনা অঙাংশিংনা স্কুলদগী মপান থোরক্লগা মতৌ করম্না মমান্নবশিং অমদি অতোপ্পা মীওইশিংগা ইন্টরেক্ট তৌগনি হায়বদু খঙহনবা চঙই। মহৈরোয়শিংগীদমক প্লেটফোর্ম অমা শেম্বদা মতেং ওইগদ্রা হায়না সম্মর কেম্প অসি হৌদোকপনি। সম্মর কেম্প অসিগী মোটোদি এক্সপ্লোর য়োর সেল্ফ এন্দ এক্সপ্লোর দি ৱর্ল্ড এরাউন্দ য়ু হায়বসিনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙসিদগী হৌনা পাঙথোক্লিবা কেম্প অসিদা অঙাং ৩০ শরুক য়ারি। থা অসিগী ১৮ ফাওবা কেম্প অসি পাঙথোক্কনি। অনীশুবা তাঙ্কক্কী সম্মর কেম্প চহীসিগী জুন ৯ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। সম্মর কেম্প অসিদা অঙাংশিংনা মমিং লৈরবা সেলেব্রিটি কয়াগা উনদুনা ৱারী শানবগী খুদোংচাবা ফংগনি।

হিরম কয়াদা খঙ-হৈরবা শক্লাইরবা মীওইশিংগা মহৈরোয়শিংগা উনদুনা ৱারী শানগনি। তোঙান-তোঙানবা শিনফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগা উনদুনা ইন্টরেক্সন তৌবা অসিনা অঙাংশিংগী ৱাখল লৌশিং হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়নসু মখা তারি। কেম্প অদুদা তোঙান-তোঙানবা স্কুল কয়াদগী মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি।

HL-B/5377/8,9,11,13,15,17

COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN

REGULAR COURSE FOR

NEET (Medical Ent.) & JEE-MAINS (Engineering) 2019-20

Special Attractions

1. Free studentship for Meritorious Students
2. Special fee concession for COMETIANS & COMET SCHOOL students.
3. Study materials will be provided.
4. Regular test series

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

HL-B/5287/16/3-21/5

SPOKEN ENGLISH & COMPUTER

Join at anytime for X,XI,XII students, collegians, office goers, etc.

➡Centre 1: Waheng Leikai, near Bheigo Hotel, Imphal.
Sir Tejkumar, teaching since 1987, #6909651741, 9089825142

➡Centre 2: Keishampat Leimajam Leikai, near community hall.
Miss Alice, M.A. English, Panjab University (Lexica), #9089685408

Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Group discussion, Public Speaking, Personality Development, Audio and visual classes, Special care for weak students

Only for seniors at 5 am (Centre 1)

100% English Fluency Guaranteed

Free 1 month computer course with one English course

Centre 1: 6:10 am, 7:30 am, 10:00 am, 11:30 am, 1:30 pm, 4:00pm Centre 2: 6:00 am, 7:30 am, 11:00 am, 3:30 pm